# সাইন্সকী অনৌবা মায়কৈ অমা পুরকপদা থৌদাং লৌরিবা ফিল্ম দিরেক্টর James Cameron

*- নানি -*



ৱর্ল্ড সিনেমাদা James Cameron গী মীং তাদবা লৈরমগনি থাজদে। মালেমদা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মতিং লৈনা ফাওখিবা মী কয়া পোকখ্রে। মখোয় মখোয়না তৌরম্বা থবক কয়া অদুনা ঙসিদি অনৌবা মালেমগী মায়ওন অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রে। ময়াম অসিগী মনুংদা ফিল্মগী লম্দা মমিং লৈরবা James Cameron হায়রিবসিসু অমনি। মহাক্কী মমিং লৈরবা অমদি ইনোভেসন অমগা লোয়ননা পুথোকখিবা ফিল্ম কয়া লৈখ্রে। মহাক্কী ফিল্মশিং উরুবদা মালেমগী মীপূম খুদিংনা অঙকপা ফংনা য়েংনখিবা ঙাক্তনি। মহাক্কী ফিল্ম অমা অনীদংগী মমিং পল্লবদা - Titanic, Aliens, The Abyss, The Terminator, Avatar অসিনচিংবা অসি পনবা য়াই। ফিল্মশিং অসিনা মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্কী মীৎয়েং ৱাখল পূম্নমক অঙকপা পোকহনখিবনি। তশেংনমকসু মহাক্কী মীৎয়েং অমদি মহাক্কী প্রদক্সনশিং খুদিংমক অসি পুমতোপ তোপ্পা অমা ওইনা উই। মহাক্কী পুথোরকখিবা ফিল্ম অমগা ফিল্ম অমগা অমত্তা শম্নবা ঙমদে, পুমতোপ তোপ্পা মশক অমমম য়াওহনবা ঙম্মী।

James Cameron গী অশাংবা মমিংদি James Francis Cameron কৌই। কনাদাগী কাপুসকাসিং, ওন্তারিও হায়বা মফম অমদা কুমজা ১৯৫৪গী ওগষ্ট ১৬তা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা মপাসু এঞ্জিনিয়র অমনি অদুগা মমানা নর্স অমদি আর্টিষ্ট অমসু ওইখি। তশেংবদি মহাক এঞ্জিনিয়র অমদি ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অমনি। মহাক্না পামজবা খরা মীয়ামদা অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা ফিল্মনা উৎপা ঙমগনি থাজবদগী ফিল্মলোমদা চঙশিল্লকখিবনি। মহাক প্রদ্যুসর, স্ক্রীনরাইটর অমদি দিরেক্টর অমসুনি। মহাক অসি হোলিৱুদতা সাইন্স ফিক্সন অমদি ইপিক ফিল্মগী দিরেক্টর অমদি প্রদ্যুসর অমা ওইনা খঙনৈ। মহাকপু ইহান হান্না মীয়াম পূম্বনা খঙবা হৌখিবসি কুমজা ১৯৮৪দা পুথোকখিবা **The Terminator** হায়বা ফিল্ম অদুদগীনি। সিগী মতুংদা অমুক অঙকপা অমা ওইনা **Aliens** হায়বা ফিল্ম অমা অমুক কুমজা ১৯৮৬তা পুথোরকখি। টর্মিনেটর ফিল্মনা মীয়াম্বু ঙাওহল্লিনৈঙৈ চৈরক্তা অমুক হন্না **Terminator 2: Judgement Day (1991)** পুথোরকপদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না য়েংনখি। অসুম্না মালেম পূম্বনা চরাংনরিবঙৈ মতমদা **Titanic** হায়বা খ্বাইদগী মমিং চৎপা ফিল্ম অমা অমুক পুথোরকখি। টাইটানিক ফিল্মনা মালেমগী মীপূম খুদিংবু পুমঙাও ঙাওহনখি। সিগী মতুংদগী অমুক হন্না **Avatar** (2009) হায়বা অমা অমুক পুথোরক্তুনা মালেমগী ফিল্মগী খোঙচৎতা ইনৌ নৌবা থ্রী দি টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা অয়েংবশিংবু অকি-তুজুং পোকহনখিবা। ফিল্ম অসি একাদেমি এৱার্দ ৩ ফংখি। বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট ফিল্ম এদিটিং হায়রিবা অসি ফংখিবনি। মহাক্কী ফিচর ফিল্মনা মীয়াম্বু ঙকহল্লিনৈঙৈ চৈরক্তা নেসনল জিওগ্রাফিক চেন্নেলগী মখাদা সি এক্সপ্লোরর ফিল্ম কয়াবু দোক্যুমেন্টরি ওইনা নমদুনা অঙকপা উবা ফংলরোইদবা ফিল্ম কয়া অমসু খুদোল তম্লখি। Cameron না মহাক্কী লাক্কদবা ফিল্মশিংগী মরমদা কনাগুম্বা অমত্তদা ৱারী শাদে। মহাক্কী প্রদক্সনগী মরমদা খনবা অমদি মদুদা এক্সর্সাইজ তৌদুনা লৈবসি মহাক্কী হৈনবীনি। মহাক্কী অঙ্ক অদু মায় পাক্লনি খল্লবা মতুংদতা ফিল্মগী ৱাফম অসি লাকপনি। অদুনা হৌজিকসু মহাক্না করি তৌরক্কদগে হায়বসি কনা অমত্তনা হায়বা ঙমদে।

মশাগী চহী ১৭শুবদা মখোয়গী ফেমিলি কালিফোর্নিয়াদা হোংলকখি। মদুদা লৈবা Sonora High School দা মহৈ তম্লকই। অদুগী মতুংদা Fullerton College হায়বা কম্যুনিতি কোলেজ অমদা ফিজিক্স তম্নবগীদমক মীং চনখি। কোলেজ তম্না তম্না য়াম্না ওদ ওইবা থবক খরা তৌবা হৌরকখি। অহানবদা মীগী য়ূমগী থোঙ শঙবা (janitor) ওইনা অদুদগী অমুক ত্রক দ্রাইভর ওইনবা ত্রক থৌবা তম্লকখি। অঙকপা এক্সপরিয়েন্স অমা মহাক্না ময়ামগা মান্নদনা তানশিনবা হৌরকখি। ষ্টার ৱার উরুবদগী মহাক ফিল্ম টেক্নোলোজিগী মরমদা খঙনবা লাইব্রেরিদা চৎপা অমুক হৌরকই। অদুনা ত্রক দ্রাইভর ওইবদু অমুক থাদোক্তুনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা চঙলকখি। কুমজা ১৯৭৮দা মহাক্না তিন্নবা দের্ন্টিষ্ট ডোক্টরশিংগী ওইবা consortium of dentist তগী শেল পুরগা ফিল্ম মচা অমা পুথোক্লবা শেম শাখি। ফিল্ম অদুগী মমিং Xenogenesis (1978) কৌখি। ফিল্ম অদুদা মহাক য়াম্না হৈ শিংবা ডোক্টর অমগী মতৌগুম সর্জিকেল প্রোসিজর ফজনা উৎখি। সিগী মতুংদগী ফিল্ম কম্পেনি খরদা প্রদক্সন এসিষ্টেন্ট ওইনা থবক তৌবা হৌরে। Piranha কৌবা মমিং য়াম্না লৈবা ফিল্ম অদুদা মহাক দিজাইন তৌবা হৌরে। অদুবু ফিল্ম অদুগী অনীশুবা পার্ট নম্বা হৌরকপদা ওরিজিনেল দিরেক্টর ওইখিবা Miller Drake প্রোজেক্ট অদু থাদোকখি। অদুনা ফিল্মগী দিরেক্টরগী থৌদাং পূম্নমক জেমসতা তাখি। মসিনা মহাক্কী ইহান হানবা অচৌবা ফিল্ম অমদা দিরেক্সন তৌনবগী খুদোংচাবা ফংবা হায়বদু ওইখি।



টর্মিনেটর ফিল্মদসু অহানবদদি ক্রিটিকশিংনা মহাকপু নিংথিনা ইবিরকখিদে। মহাক্কীসি ফিল্ম নত্তে হায়বা ফাওবা হায়বিখি। ফিল্ম অমগী artistic aesthetic ওইবা মগুন অদু মাঙহল্লে হায়না মহাকপু রিজেক্ট তৌখিবনি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিপ্ট অসি মহাক্না ইবা লোইরবা মতুংদা কম্পেনি কয়াদা ফিল্ম নম্নবা হায়নরুবদসু ফিল্মসি ওইবা য়ারোই হায়না কনানসু য়ারকখিদে। মমৈথংদা Pacific Western Production না ফিল্ম অসিগী দিরেক্সনসু পীবদা য়ানখি। ফিল্ম অসিগী এক্টর ওইনা James Cameron না Arnold Schwarzenegger বু মহাক্কী হকচাংগী শকও-শবান য়েংলগা খনখি। অসুম্না মহাক্কী ফিল্ম Aliens দসু একাদেমি এৱার্দ ময়াম অমা ফংবা ঙমখি। Best Actress, Best Art Direction, Best Film editing, best original score, best sound, Best sound editing and best visual effect হায়রিবা এৱার্দশিং অসি ফংবা ঙমখিবনি। অসুম্না লাকখি 'টাইটানিক'। টাইটানিক ফিল্ম অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়রবদা খ্বাইদগী বোক্স ওফিস হিট ওইবা অমদি খ্বাইদগী শেল তানবা ঙম্বা ফিল্ম অমনি হায়না শিংথানরি। ফিল্ম অসিনা অমুক্তা থমদ্রিবা একাদেমি এৱার্দ রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। ফিল্ম অসিনা পূন্না একাদেমি এৱার্দ ১১ ফংখি। মদুগী মনুংদা - Best Picture, Best Director, Best Art Direction, Best Cinematography, Best Visual Effects, Best Film Editing, Best Costume Design, Best Sound Mixing, Best Sound Editing, Best Original Score, and Best Original Song হায়রিবশিং অসিনি।

James Cameron গী মথংগী প্রোজেক্টশিং করি করি ওইগদগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না মার্চ ২০০৭তা এন্নাওন্স তৌখিবা অমা লৈখি মদুদি কুমজা ২০২৮দা রিলিজ তৌগদবা Avatar 2 অদু খুদোংচাদবা খরনা তৌবা ঙমখিদ্রে। অদুনা ফিল্ম অসি ২০২০গী দিসেম্বরদা, Avatar 3 না ২০২১গী দিসেম্বরদা, Avatar 4 না ২০২৪গী দিসেম্বরদা লোয়ননা Avatar 5 না ২০২৫গী দিসেম্বিরদা রিলিজ তৌগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখি। Avatar 2 দি হৌজিক শেম শাবা পূমলোই লোইরে অদুবু পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা রিলিজ তৌবা ঙমদবনি হায়না থল্লি। Avatar 2 না মালেমগী ফিল্মগী মায়ওন অসি চেঞ্জ তৌবা ঙমগনি হায়না থাজনরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।১১।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;
হিয়াঙ্গৈগী ৮নি পানবা।

**মেষ :** হন্থবা লোয়নগনু, হকচাং নুংঙাইনবা-অচম্বা চাবা ফগনি অমদি মফম মতম চাদনা ঙক কনগনু। শেন্দোং তানবা থবক্তদি মায় পাক্কনি, মরুপ ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈংথরদি নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** য়েৎকনবগী ৱাখল থাদোকউ অমদি থিবা হুম্বা তনগনু -মদুনা মায় পাক্কনি। অরং অরাক লেপশিনবগী নুংঙাইবা অমদি থেংলপ্পা লন চংগদবসু লৈ -হৈয়ু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** অঙ ম্বনা নরল মৎপিবা য়াবা লৈ অমদি নীংবা মপা চারোই অদুনা ৱাচৎ ৱানোম তৌদবা ফগনি। থেংলপ্পা মীয়ামগা মরী ফগৎপা, নুংঙাইবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাইঙমদবা তৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** লমদৈ কান্নবা ফংগনি। শেল, মরুপ অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবৈ পেঞ্জবা লৈগনি। অদুবু লেংদবা নরলদি নোল্লুকপা হৈত্রদি মাঙগনি । হন্থবা লোয়নগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফনা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। লন চাওখৎকনি, হায়জবা তাবীগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। ঙাঙ-শকপা হৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** মীচং য়াম্না লৈ, খুৎ চাওবা য়াগনি অমদি লৌশিং চাওবা মরুপ ফংজৌ হায়বসু লৈ। য়েৎনবা য়াবা মরমদৈ নাথৈবা কান্নগনি। নত্তবা পান্বৈ থাদোকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** পংশিনবা লৈ অমদি চিংনবা চাং ৱাংগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা নুমিৎনি। অনম তানগনু, লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খাংবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** পন্দুনা লৈবা থবক্কী কোক শাবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং খরা ৱাৎপনা নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াদবা নুমিৎনি। ইমুং মনুংগী ৱা তাবদি কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী চেৎকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** মরুপ মপাংগা শাওনবা, নচা ননাই ময়েং তাগনি অমদি নরলদা মীনু চংবা নুমিৎনি। ফিংগনু অমদি য়েৎকনু। অফবা মফমদি ফংই, অরং অরাক ফংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা তেংবাংবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** পংলদি নরল মাঙবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌরদি কিবা পোকপা লৈগনি। হুরানবা কল্লি-অরোন অথুপ হায়দোক্কনু। থেংলপ্পা অনিংবা থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা, লাইবক ফবা নুমিৎনি, অরুবা থবক পাংবা হৈনগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। মরুপ মপাং অমদি মীয়াম্না চানবীবা ঙসিসু লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** ঈংথদ্রদি শক-চু থোক্তবা লৈগনি অমদি অঙম্বনা তাথিগনি। শোক-পনবা য়াবা থৌদৌদগী চেকশিনবা ফগনি। মরম চাদনা হোয়া ফগনু, নীংবা খুদিং থুংদবনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্পা ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



## হুইয়েন জোক্স

নুপী : করিগুম্বা ঐসে ভুটনা ফারবদি ঐ করি তৌগনি।
মপুরোইবা : ৱাখি পুনবিয়ু, নচিন-ননাউগী নুংশি মরিদা ঐনা করি হায়বা ঙমগনি।

---

মশাগী নুপীদা খুপাক অমা থারুবগীদমক জজনা লুপা ১০০০ ফাইন ওইনা পীনবগী য়াথং পীখি।



মতম অদুদা চাওতোন্না জজদা হংই-'অনীশুবা খুপাক অমা থাবা য়াগদরা ...??'
জজ : করিগী থাগদৌরিবনো?
চাওতোন : মরমদি ঐগী নাক্তা লুপা ২০০০ লৈ, অচোইবা লৈতে অদুননি...!!

---

মমা : ইবুংঙো নবোক্কী মপোক কুমওনদা করি খুদোল পীগনি?
মচা : স্কেটিং পীগনি।
মমা : নবোক্তি চহী য়াম্লবনিনা স্কেটিং তৌবদি ঙম্লরোই। মদুনা করি কান্নগদৌরিবনো?
মচা : ইবোক্না ঐগী ইপোক নুমীৎতসু ভগৱট গীতা পীরক্লিদুদি মদু ঐগীদি করি কান্নে...!

---

অমেরিকাদগী চাওবগী মমান্নবা টোম ইন্দিয়া কোয়বা লাকই। অমেরিকাগী মরুপ টোমবু কোয়বা দিল্লিদা পুবিরকখি।



কুটুব মিনারগী মনাক য়ৌরকপদা টোমনা হংলকই।
টোম : চাওবা, কুটুব মিনার অসি নুমীৎ কয়ানিদা শাখিবগে?
চাওবা : মসি থা কয়া চঙদুনা শাখিবনি।
টোম : মসি ঐখোয় অদুদি চয়োল অনীদা শাবা লোইগনি।
ঙাইহাক অমুক চৎলবা মতুংদা চাওবদা অমুক হংলকই।
টোম : লাল কিলা অসি নুমীৎ কয়ানি চঙনা শাখিবগে?
চাওবা : শুপ্নগী চয়োল অনীদা শাখি।
টোম : মসি ঐখোয়রোমদা শারবদি শুপ্নগী নুমীৎ নীনিদা শাগনি।
মখোয় অনী ঙাইহাক চৎলবা মতুংদা তাজমহলগী মনাক্তা য়ৌশিল্লকখি।
টোম : চাওবা, তাজমহল অসিদি নুমীৎ কয়ানি চঙনা শাখিবগে?
চাওবা : ঐ হৌজিক মথা শারিবনি মরুপ মরমদি তাজমহল অসি করম্বা মতমদা শাখিবনো, ঙরাং ফাওবদি মফম অসিদা লৈহৌদবনি...!

---

পিনাও : পিক্তু, করিগুম্বা লম্বীদা লুপা ৫০ চৎপী অমগা ১০০ চৎপী অমগা তারম্লবদি করম্বা খুনগনি?



পিক্তু : লুপা ১০০ চৎপী ওইনা খুনগনি।
পিনাও : মদুদনি ময়াম্না নঙ য়াম্না পংই হায়রিবসি ৫০ চৎপী অমদি ১০০ চৎপী অনীমক অদুম খুনবা য়াবদুবু ...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : A beautiful bird
By : Airish Thangjam
Class : V Sec : A Roll No. 62
School : Don Bosco high school Langjing



Title : A Fox
By : Gurumayum Lucky Devi
Class : VI Sec : Roll No. 12
School : Don Bosco Langjing



Title : Beautiful Girl
By : Henthoisana Pukhrambam
Class : III Sec : B Roll No. 02
School : Mother's Pride Academy



Title : House
By : N.K. Ronaldo
Class : III Sec : B Roll No. 44
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Playing during sunset
By : Naorem Babina Devi
Class : VI Sec : Roll No. 76
School : Bethel English School, Nambol



Title : The Beautiful Sunset
By : Naorem Sanatomba Singh
Class : VI Sec : Roll No. 60
School : Brilliant Public School



Title : Slenderman
By : Oinam Thoithoiba
Class : II Sec : Roll No. 32
School : Life School, Ghari





Title : Jawaharlal Nehru
By : Osika Kshetrimayum
Class : III Sec : Roll No. 8
School : Global School of Human Resources



Title : Boat
By : Usham Leishilembi
Class : I Sec : Roll No. 5
School : Nawa Lousingkol